# ‘খুঙ উংবগুম উংশিন্দুনা লৈবীরনু’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র



মণিপুরদা থল্লিবা প্রসিদেন্টস রুল থা তরুক অমগা অমুক শাংদোকপগী অয়াবা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্না পীখ্রে। প্রসিদেন্টস রুল শাংদোকপগী মতাংদা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীমক্তা অকনবা দিবেট তৌনরক্কদবোই খন্নখিবনি অদুবু করিসু তৌখিদ্রে। লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী ওপোজিশন মেম্বরশিং ওপরেশন সিন্দুর অমদি স্পেশল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) খন্ন-নৈনবদা পূক্নিং লুপশিন্নখ্রে। মণিপুরগী থোক্লিবা ঈরাংগী মতাংদা ৱা ঙাঙবীনবা ঐখোয়গী অততাই তারিবা ওপোজিশন এম পি অনী নত্তনা অতৈ লৈশিল্লক্ত্রে। মতম কুইশিল্লকপনরা কৈনো মণিপুরগী ঈরাংসি থৌৱা ইশা শান্নরক্ত্রে। শোমদনা কমদৌরি, হান্নগী বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট লৈঙাক্তুনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরকখিদবনা মীয়াম্না প্রসিদেন্টস রুলনা হেন্না ফরনি হায়নখি। অদুবু প্রসিদেন্টস রুল লাকখিবদা অচৌবা অওনবা অমা ওইরগদবা থোক্লিবা ঈরাং অসি লোইশিন্নবগী থবক্তি করিসু পায়খৎলকখিদে। মীয়াম্না তৌনরম্বা আশা পূম্বা কায়খি। প্রসিদেন্টস রুলনা চীং অমসুং তমদা আইন কায়না পায়রিবা নোংমৈ অমদি মরী লৈনবা খূৎশু খূৎলায় আর্মস এন্দ এম্যুনেশন, লৈঙাক্তা পীখৎলক্লবা হায়বদা তম্পাক্তা লৈরম্বশিং শান্তি পুরক্লবগী খোঙথাংনি হায়দুনা খোপ-খোপ্পা পীখৎখি। অদুগা চীংগী মফমশিংদগী ঈরাং হৌহল্লিবা কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদগী মমিংতগী ওইনা পীখৎনরকখি। প্রসিদেন্টস রুল অসিগী খ্বাইদগী শোনবা মতৌ উৎখিবদুদি চহীসিগী মার্চ ৮দা মণিপুরদা ফ্রী মুভমেন্ট লৈহল্লগনি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ওর্দর থোক্লগা কাংপোকপীদা কুকি টেররিষ্টশিংনা শৌগৎপা কুকি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনগী মীওই খরনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংবু শীংনদুনা লম্বী থিংখিবদুনি।

মণিপুরদা তরামাথোইলকশুবা ওইনা চলাইখিবা প্রসিদেন্টস রুলনা থোক্লিবা ঈরাংসি লোইশিন্ননবা অকনবা থবক পায়খৎপদি ইউ উদ্রি। আই দি পিশিং চৎলিবা চহীসিগী মনুংদা রিলিফ কেম্পশিংদগী হোংদোকহল্লগনি হায়বগী থাজবা মীয়ামদা থল্লি। মতাংসিদা চুড়াচান্দপুর অমসুং মোরেদগী লাঞ্জেল্লক্লিবশিংগী ফীভমদি অদুমক লুবগী মওংনি লৈরিবসি। নাকল অমরোমদা প্রসিদেন্টস রুলনা ইম্ফাল ময়োলদগী হেন্দোক্তুনা তম্পাক্কী মরু ওইবা সেন্টরশিংদা এনক্রোচ তৌবশিং তকথোকপগী থবক কন্না চখ্খরি। অসিগুম্বা মপূং ওইনা মীয়াম পূনবা লাল্লোন ইতিক্কী মফম ওইবা এরিয়াশিংদা লম খোপচিনবগী থবক অসিদি লিশাং শিৎনা তৌদুনা লাক্লবনি। মসিদসু নত্তনা লৈরক খুল্লক্তা লম্বীগী নাক-য়েৎতা লৈরিবশিংনা লম হেঞ্জিন্না খোপচিন্দুনা য়ূম-কৈ, দুকান্নচিংবা শাজিন্দুনা চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা পীবা অমসুং ঈশিং ঈচাও থোকহনবদা চাউনা মতেং পাংদুনা লাক্লি। অদুবু পূম্নমকসি খরা উশিন্না, খরা উশিন্নদা তৌদুনা লাক্লবা ঙাক্লি। ফনা হায় শাবনি হৌজিক লম খোপচিন্দুনা শাজিনবশিং থুগাই তকখাইরিবশিংসিবু প্রসিদেন্টস রুল নত্তবা মীয়ামগী লৈঙাক্তুবু লৈরগা তৌবা ঙমগদরো। মাগী মাগী ভোট মাঙনি হায়দুনা অদুমক লৈঙাক্কী ওফিশলশিংদা ফোন্দা করি করিনো তৌদনবা হায়নরক্তুনা অদুম নহান্না তোকখ্রনি। ঐখোয়গী অয়াম্বা মীয়াম সিবিক সেন্স ৱাৎলি, মশাগী ওইজবনা মাঙ থাই। মদুগী মথক্তা শক-মায় য়েংনবা হায়বা অমসু খুন্নাইসিদা লৈরি। লৈকায় অমদা মীওই অমনা লৈবাক মীয়ামগী লমদা ফনা হেঞ্জিন্না খোপচিন্দুনা য়ূম কৈ শাজিল্লবসু লৈকায়দুগী ক্লবকী থৌপুবশিং, মৈরাগী লুচিংবীশিংনা শক-মায় য়েংদুনা খঙশিন্নদনা লৈবগী শক্তম মচা-মচাশিংসু ঐখোয়না লমদমসিদা উরি। লৈকায় অমগী, খুল অমগী মহৌশাগী লৈজরম্বা ঈল অচৌবা অমা থাবা য়ারম্বা খোংবাল অদু লম খোপচিনবশিংনা অসুম খোপচিনখিদুনা অঙাং মচা অমনা কানবা য়ারবা ফুট অনীমুক্তং পাকপা ইরম ওইনা লৈরকানসিদা মণিপুর থুগায়রগা মখোয়গী তোঙানবা হোমলেন্দ অমা শেম্নবা হোৎনরিবা মীওইশিংগী মখুৎতগী ইরমদমসি কনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বদু মীয়াম্না মুন্না খন্থবা চঙই।

প্রসিদেন্টস রুলনা লম খোপচিন্দুনা য়ূম কৈ শাজিনবশিং তকখায়বা ফৈ। মীয়াম্না থাগৎনৈ। অদুবু চীংগী লমদদি কমদৌরিবগে। য়ুনিয়ন লৈঙাক্না কুকি টেররিষ্টশিংনা থোকহনবা লান ঈংথহন্নবনি, মীশি মীনা থোকহন্দনবনি হায়দুনা বফর জোন, রেদ জোন কায়না থমজিল্লি। মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরিবা কুকি টেররিষ্টশিংদি হরাউরে মখোয়না নম্না খুন্দারিবা মফমশিং নীংতম্নবা মখোয়গী ‘লিবরেটৈদ জোন’ ওইনা খল্লমাল্লে। মতা ফবা লৈহাও ৈ লবা মণিপুরগী চীংগী নাপোমশিংনা কমদৌরিবা। মৱা মপাউসু তাখিদরে। পোপী প্লান্টেশনদি ফজনা খুমাঙ চাওশিল্লম্লনি। ম্যান্মার, থাইলেন্দ অমসুং লাওসকী তাইনফমদা লৈবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গলদুগী হেক ঙমথংদা মণিপুরদা শেমগৎকে থৌরাংবগী মওংনি নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংগী থৌওংসি। মণিপুরগী চীংগী লমদা ইন্দিয়াগী আইন চৎনদে। কুকি টেররিষ্টশিংনসু তৌনীং-তৌনীংবতা তৌরি। চুড়াচান্দপুরদগী কাংপোকপী য়ৌনবা জর্মন, টাইগর রোদকা শেমগৎলদনা। লম্বী শেম্বা হায়বসি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংগী অয়াবা অমা চঙই। লম্বীদু ফাওরিবা খুঞ্জাশিংগী অয়াবা, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী অয়াবা অসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি। ইশম শম্না ইন্দিয়াগী লৈরিবা আইনশিং ফোরেষ্ট কঞ্জার্ভেশন এক্ট ১৯৮০, এনভাইরনমেন্ট প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৮৬, রাইট টু ফেয়র কম্পেন্সেশন এন্দ ত্রান্সপরেন্সি ইন লেন্দ একিজিশন এক্ট ২০১৩, সেদ্যুল্ড ত্রাইবস এন্দ অদর ত্রেদিশনেল ফোরেষ্ট দ্বেল্লর্স (রিকগনিশন ওফ ফোরেষ্ট রাইটস) এক্ট, ২০০৬নচিংবা পূম্নমক কুকি টেররিষ্টশিংনা শীংনবনি। থোইদোক্লা য়েলহৌমী নাগা ফূরুপকী তোঙান তোঙানবা মীওই কাঙলূপশিংবু কুকি টেররিষ্টশিংনা করিসু লৈতনা খনবগী মওংনি। মতাংসিদনি তম্পাক্তা এনক্রোচরশিং খঙদোক্তুনা তকখায়বগুম চীংদসু কুকি টেররিষ্টশিংনা আইননা য়াদবা মওংদা শেমগৎলিবা জর্মন, টাইগর রোদ ইভিক্সন তৌদুনা ফোরেষ্টকী মহৌশাগী শক্তম য়েলহৌমীশিংগী রাইট কনবগী তঙাইফদবা লৈরিবসি।

লোইশিল্লকপদা ষ্টেটসিদা লৈঙাক্লিবা প্রসিদেন্টস রুল, বি জে পিনা লুচিংলিবা নেশনল দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (এন দি এ) গী অতোপ্পা শক্লোন অমনি। মণিপুরগী মায়থোঙ ওইরিবা ইম্ফাল অমদি অকোয়বা মফম খরদা নালহনবগী থবক তৌবগা ইরোয়ননা চীংগী লমশিংদা আইনবু মখূৎতা পায়দুনা শান্নরিবশিংদসু মীৎয়েং চঙহন্নীংই। ষ্টেটসিগী মীয়াম্না প্রসিদেন্টস রুলদা থম্নখিবা আশাদি মণিপুরদা কুকি টেররিষ্টশিং নমদুনা থোকহনখিবা, লানসি অথুবা মতমগী মনুংদা লোইশিলহনবদুনি। আশানা অমা উখোরকপনা অমা হায়বগী ফীভমদা লৈরে। লম খোপচিনবশিং তকথোকপগা ইরোয়ননা শেমগৎ শাগৎপগী থবকসু তৌহন্নীংই। মহৌশাগী লৈজরম্বা পাৎ মাঙশিনখ্রবা, মমিংদা পাৎ থোন্দুনা লৈহৌরবা ইরমদমসিগী মফম অয়াম্বদা নোং খজিক্তং হেক চুবগা খূৎশেমগী পাৎ-তুরেল ঙাক্তা ঙাইরে। চৎফম লৈতরে। চীংগী লমদা চৎপা ফংদ্রবা মীতৈশিং তম্পাক লমদসু লম্বী ফত্তবনা চৎফম লৈতরে। পূম্নমকসি প্রসিদেন্টস রুলনা য়েংশিনবীয়ু। মণিপুরগী গভর্ণর য়াওনা লৈঙাক্লিবা অঙম অথৌশিং ইম্ফাল মনুংগী জিরো মাইলদা খুঙ উংবগুম উংশিন্দুনা লৈবীরনু হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# অফবা থিএটরদা অফবা স্কৃপ্টনা ময়াংলেন শরূনি

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



স্কৃপ্ট অমগী খ্বাইদগী মরু ওইবসি ষ্টোরি অসিনি। পাম্বী অমগী চারা ওইরকফম মরূ অদুগুম্বনি। য়ূম অমগী ফাউন্দেশননি। গাড়ীগী চেছিসনি। অমুকসু মীওইবগী নৎত্রগা থৱায় পানবশিংগী স্পাইনেল কোর্দ অদুনি। ৱারীনবু ফৎত্রবদা ফনা ফবা অইবা ওইরবসু অফবা স্কৃপ্ট শেম্বা ঙমদে। ৱারী পুথোকপা হায়বসি অতাঙবা থবক অমনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মীওই কাঙলূপ অসি তাইবঙ শেম্বা মপু মাগা মান্নবা মতৌ লৈবনা মখোয় অসি ক্রিএটর হায়না খঙনরি। স্কৃপ্ট তন্নগা ইবা ঙম্বসু য়াই, ৱারী পুথোকপদি তন্নগা য়াদে। পোকপদগী লোয়নরকপা মতৌ অমা লৈগনি। নুপী ওইবী অমনা য়ূম পাল্লবা মতুংদা কন্সিপ ওইবগুম মী অদুনা উবা নৎত্রগা তাবা মতমদা মাগী পূক্নীংদা কন্সিপ তৌখিবা ৱারী ওইরক্লবা ইথিলনি। নুপী অমনা মচা পোক্লবা হোৎনবদা থাবুম ১০ নাওপুবগুম মাগী থম্মোয় অমদি পূক্নীংনা লিংজেল মান্ননা কন্সিপ তৌরিবা ইথিল অদো খুন্নাইদা লাম্হোকপা য়ানবা মতম কয়া হন্না হন্না খনগনি। তিন্না-লোয়নবা, ৱাখল মান্নবশিংদা স্যের তৌনদুনা মাগী পূক্নীংদা কন্সিপ তৌরিবা ৱারী পরিং অদো মপূং ফাহল্লবা মতুংদা ইথোরক্কনি। অসিগুম্বা মরূ চঙবা ৱারীসিবু অইবা (প্লেরাইট) শিংনা মওং কয়াগী স্কৃপ্ট শেম্মী। খুদম : লীলা, দ্রামা, সিনেমা।

ঙাবু মীওইবনা মওং কয়াগী মথেল লুক্কোই শেম্বা ঙম্বগুম নিংথিনা তম্লবা খঙলবা অইবশিংনা অফবা ৱারী অদুবু মওং কয়াগী স্কৃপ্ট শেম্বদা চন্নফম লোইনা লৈগনি। ৱারী শেম্বসি তাইবঙদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিনি। থোক্ত্রিবা থোক্লবা য়াই হায়না খনবা ৱারীসু শেম্বা য়াই। থোক্লিবা থৌদোক ঙাক্তনি হায়রবসু থৌদোক খুদিং ৱারী ওইনা শেম্বদি য়াদে। থোকফম থোক্তবদা থোক্লকপা ৱারীদুবু পর্ফোর্মেন্স টেক্স ওইহনবা অদুনি দ্রামাটিক লিটরেচরদা ষ্টোরি লাইন হায়রিবসি। খুদম ওইনা, মমানা মচা পোকই হায়বসি ৱারী লীবদা কান্নদবা ৱারীনি। মরমদি মসিদি নেচরেল প্রোসেসনি। মপানা মচা পোকই হায়রবদি ৱারীনি। হূইনা মী চিকই হায়বসি স্কৃপ্ট ওইবা য়াদে, মীনা হূই চিকই হায়রবদি স্কৃপ্টনি। মসিদা ইষ্টাব্লিশমেন্ট, ক্রাইসিস, ক্লাইমেক্স অমদি দিনোমেন্ট থম্বা য়াগনি। মসি স্কৃপ্টিং তৌবা য়াবা ষ্টোরি লাইন অমনি।

ৱারী হায়বসি অফবা ফত্তবা অনী থোকই। হীদাক য়োনবদি ওইবা, য়ু য়োনবগা ফার্মাসি ফম্বগা কান্নবা মান্নদবগুম্বনি। য়ুনা শেল য়াম্না তানবদি ঙম্বা য়াই অদুবু ফার্মাসিনা পীরিবা হীদাক অদুনা মীওইবদা কান্নবা পীবদি হেল্লি। মসিনা ফজবা অমদি নুংঙাইবা হায়না ৱারীবু চোয় চাং ওন্দুনা চাংদম্নবা য়াই। ফজবা ৱারীদি মীওইবদা কান্নগনি। অদুগা নুংঙাইবা ৱারীদি শেন্দোং লৈগনি। ফজবা কান্নহনবা ৱারীনা মনা মথুম ফংই। লাইরিক হৈবশিংনা মসিবু গুদ ষ্টোরি হায়না মীংথোল পী। নুংঙাইবা ৱারীদি শেন্দোং লৈরবসু অমাঙবা মচাক য়াম্না লোয়নগল্লি। তুং কোয়না চৎতে। অয়েংবশিংগী থম্মোয়দা খজিক্তফাও তুংদুনা লৈহৌদে। মালেমদা ফাওখিবা ৱারী শেম্বা খরদং নীংশিংদুনা মখোয়না শেমখিবা ৱারীগী খোঙ্গুল লীবসু তঙাইফরক্তে। (1) Charlottle Gilman (1892) গী "The Yellow Wallpaper" (2) Edgan Allan Poe (1843) গী "The Tell-tale Heart" অমদি (3) Flannery O'corner (1953) গী "A good Man is Hard" পনবা য়াই। ইরমদম অসিগী লাইওইখ্রবী মহারাজকুমারী বিনোদিনি, মীয়ামগীনা ইমাশি অফবা ষ্টোরি ক্রিএটরনি। খিত্তং থেংথরকপা মীরোলদা হৌজিকসু হিংদুনা লৈরিবা মোইরাংথেম ইনাও অফবা ষ্টোরি ক্রিএটরনি।

ষ্টোরি হায়বসিদা মখল মখা কয়া থোক্লি। মওং খিত্তং হোংবদা মদুগী খঙনবা মিংথোলসু থোরকই।

ৱারীগী মওংশিং : ১) ফিক্সন ষ্টোরি : মসি খ্বাইদগী লুবা মওংনি। মসিগুম্বা ৱারী ইরিবশিং অসিবু ক্রিএটিভ রাইটর হায়না খঙনৈ। পান্দম য়াওবা, কান্নবা পীনবা হোৎনবা মতমদা ইরিবা মীশক অসিগী পূক্নীংনা থৌদোক খুদিংমক মরম চাব্রা (রিজনেবল ওইব্রা) হায়বসি ইরিবা মশানা হংজরগা ইগনি। ইনা ইনা জষ্টিফিকেশন ঙম্বা তাই। কনাগুম্বনা কাউন্টর তৌরকপদা মদুগী ককপা ঙম্মোয়দবা রিজনশিংগী মফম অইবদুগী পূক্নীংদা তঙাইফদনা থমগনি। কপ্লীংবা, নোক্লিংবা, অকিবা, তুজুংবা মচাকশিংসি চাং চানা য়াওগদবনি। ফিক্সন ষ্টোরিদা নুংঙাইবা য়াওগদবনি। ফিক্সন ষ্টোরিদা নুংঙাইবা হায়বসিনা সুগর কোটেদনি অদুগা ফজবা হায়বসিনা কিনাইননি। মসিদি অইবদুনা কনাগীসু মখা পোন্দনা য়াম্না নীংতম্না শেম্বা ষ্টোরি লাইননি।

(২) ক্রু ষ্টোরি : তশেং তশেংনা থোকপা ৱারী অমা মীয়ামদা মীদিয়াটিক রিপোর্টিংগী মওংদা ফজবা লৈশি লৈথোনবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা ইবা ৱারীবুনি। অদুবু ক্রু ষ্টোরি খুদিংমক চিংখ্দনা ইথোকপা হায়বসি লায়বা ওইদবনা ‘বেজ ওন’ হায়বা টর্ম অসি শীজিন্নরগা ৱারী শেম্নে। মসিদি রিসর্চ ৱার্কনি। নাকোংনা তাবদা ক্রু ষ্টোরি শেম্বা লানগল্লি। মিৎনা উদ্রিবমখৈ অসিগুম্বা ষ্টাইল অসি শোকপীরুদবনা মায়থীবা নংহল্লোই খল্লি।

(৩) চিলদ্রেন ষ্টোরি : হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না তঙাইফদবা ৱারীগী মওং হায়বসি মসিনি। স্কুলগী ক্লাসতা তম্লিবা লেশনশিংদা অঙাংনা পাম্না তানীংগদবা ৱারী ময়াম অমা হাপ্পী। চিলদ্রেন ফিল্ম, চিলদ্রেন ঠিএটর হায়বসি অঙাংশিংদা এদ্যুকেশন পীবা, থৌনা পীবা ৱারীশিংনি। অঙাংশিংনা ক্লাসকী লেশন অদু ক্বেশন অন্সর শেমদুনা চিনফা পুহনবা লাইদে। ৱাখল ফবা অঙাংশিং নত্তনা অতৈদি এগজাম মায় পাক্লবা হোৎনবদা নত্তবা পাম্বৈ শীজিন্নবা পাম্লকই। অদুবু এন ঈ পি (নেশনল এদ্যুকেশন পোলিসি) ২০২০ লাক্লে। মসিদদি অঙাংশিংদা লেশন অদু দ্রামাটাইজ তৌদুনা নৎত্রগা ঈশৈ ওইনা শেমদুনা চিনফা পুহল্লি। লেশনদো লায়না খঙহল্লি। মসি অনৌবা অফবা খোঙথাংনি। অঙাংগী ৱারী শেম্বদা ওইথোক্লোইদবা নৎত্রগা মতৌ চাংয়েং তৌদুনা মাঙ তাক্লবা ঈথিল য়াওবা ৱারী শেম্বা য়াদে। মদু অইবা অদুনা অঙাংশিংবু লান্না লমজিংবনি লৌনৈ। লোয়ননা ৱারী অদো মীয়ামদগী তপ্না তপ্না লাপথোকখিনি।

সিদা নত্তনা হিষ্টোরিকেল ষ্টোরি, লমকোয় ৱারী, মিথোলোজিকেল ষ্টোরি, মখল কয়ানি। চেকশিনগদবনি, অইবশিংনা অফবা ৱারী শেম্নবা লম্বীশিংদি (১) কুইনা খনবা (২) ৱাখল মান্নবশিংদা তোয়না ইনিংলিবা ৱারীদু লীদুনা তাহনবা, মখোয়দগী ফীদবেক লৌবা, ইদ্রিঙৈদা হোংদোক হোংজিন তৌহৌবা (৩) ইরিবা ৱারীদো অইবা মশানা হন্না হন্না পাদুনা য়েংবা, শিন্দোক শিঞ্জিন হন্না হন্না তৌবা। ষ্টোরি রাইটর মশানা মাগী ৱারীদু স্ক্রিপ্টিং তৌবা ঙম্লবদি হেন্না মপূং ফাই। অদুবু কনাগুম্বা প্লেরাইট অমনা ষ্টোরিদু ময়েক শেংনা খঙবীরবা অমদি মাগী পূক্নীংদা মচু শেংনা তুংদুনা লৈহনবা ঙম্লবদি ৱারী পুথোক্লিবা মশানা স্ক্রিপ্টিং (পর্ফোর্মেন্স টেক্স) তৌবদগী হেন্না থাক ৱাংহল্লি। (৪) হেক্তা ইশিনবা তৌবীরোইদবনি। ৱাখল থোক্ত্রবদি থা কয়া থমজিনবীখিগদবনি। ইনিংবগী ইথিল লাকপা ঙায়বা তাই। মসিদি ইঙা-ইঙেনগী নোংজু লাক্তনা লৈক্রক চৎলবা লৈমায়দা খূৎশেমগী ঈশিং থাজিল্লগা লৌলিংশিনবগুম্বনি। অফবা মহয় ফংলোইদবদা ৱারী অমা হেক্তা ইশিন্দুনা অপাবশিং নৎত্রগা অউবশিংবু ৱাহল্লোইদবনি। ইরিবসি খুন্নাই মীয়ামগী থৌগলনি, থম্মোয় শেংনা খল্লবতদা ৱারীদো মীয়াম্না য়াগনি। মপূন্সি শাংনা চৎকনি। ●

# নুংশিদকো ইরৈবাক ইরমদম

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

পূন্সিগী শরুক মরি থোকপগী শরুক অহুম হৌখ্রে। ঙসিদি ১৯৬৫ চাক তাঙবগী মীয়ামগী ঈহৌ অদুনা পূন্সিগী অহানবা লৈবাক্কী ওইবা থৌদোক অমা ওইনা থেংনবনি। মসিগী মথংদা মণিপুর মপূং ফাবা ষ্টেট ওইনবা হোৎনবা মসিনা অনীশুবনি। মীয়াম পূনবা ঈহৌনি অদুম্মক মপূং ফানা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়ানা থবক ওইনা ওন্থোরকখি। মসিগা লোয়ননা আর্ম ফোর্সেস স্পেশল পৱারস এক্ট ১৯৫৮ অসাম এন্দ মণিপুর লৌথোকউ, মণিপুরদা মীরৈবাক মচা লৈহনগনু অমসুং মণিপুরী লোল ইন্দিয়াগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চলহল্লু মথং মথংনি। মসিদসু নত্তে বিষ্ণুপ্রিয়াশিংনা ঐখোয় মণিপুরীনি হায়জিল্লকপা, মরক মরক্তা তাবদা ৱাবা খুনুগী মখোঙদা শম লৌবগুম্না চয়েৎ খোয়েৎনবা কয়া অমনি। মণিপুরগী লৈহৌ মীশিংনা খুন্দাবা মীতৈ নত্তবা তাঙ্খুল, মরিং, অনাল, কোম, আইমোল, লমকাং, চোথে, চিরু, পাউমাই, মাও, মরাম, কোংরেং, জেলিয়াংরোং চীংদা তাবা কবুইশিং অসিনচিংবা কয়া অসিনা সাউথ নাগালেন্দ ওইনবগী ঈহৌ লাকখিবা কয়ানি। ১৯৯১-৯৩ ফাওবদা লম খুন্দাবা নুংঙাইবা, ঈশিং নুংঙাইবা, থেল মান্নবা মফম উবা য়াদবা ম্যান্মারদগী নারোন্দা পুশিল্লকপা য়াও, নারোন্দা চঙলকপা য়াও, কয়া অসিনা চীংগী মফম কয়াদা মখোয়গী মাষ্টর মাইন্দ ওইরিবা ব্যুরোক্রেসি অমদি পোলিটিসিয়ন কয়াদুগী মায়োক্তা চীংদা খুন্দারিবা লৈহৌমীনা তকথোকপা তান্থোকপা হৌরকখি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মফম অয়াম্বদা রিফ্যুজি অয়াম্বা তান্থোরকখি। ময়ূম মকৈ, লন-থুম কয়া মাঙ তাক্লবশিংদু তম্পাক লমদমদা তারিবা মীতৈ ফূরুপনা শেৎনবা, চানবা, অরৈ অরৈ ফিরোল, চেঙ-চাক, এঞ্জাং-নাপী অরৈবা য়েন্নদুনা চামিন্নখিবনি। মদু অমগী অমগী মীচঙ শঙ্গ নত্তনা অৱা-অনা নংলবা মীওইবদা মতেং পাংবা হায়বা মীওইবগী মীনুংশি অদুনা য়ূম্ফম ওইরগা অঙম্বা মতেং পাংহনখিবনি। মণিপুরী লোলনা ইন্দিয়াগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লবা মতুংদা লমশাং চৎপা গাড়ীশিংদা মীতৈ ময়েক্লা ইবা অমদি থাবা য়ারোই হায়বগী ৱাথোক চীংশিংদগী থোকহল্লকপা, চুড়াচান্দপুরদা লৈবা রিফ্যুজি টেররিষ্টশিংদা পৱার মিনিষ্টর ওইরিবা অমনা দিপার্টমেন্টকী জীপসি অনী পীথোক্লগা শীজিন্নহনখিবগী ৱাথোক কয়া কয়ানি। মসিনসু লোইবা নত্তে মণিপুরী খুন্নাইগী ওইনা তৎন-থানবা য়াদ্রবা কংলাদা বৃটিশ ইন্দিয়া থমজিল্লম্বা, অসাম রাইফলস লৌথোকউ/হোংদোকহনখো হায়বগী ঈহৌ পনবা য়াই।

ঐখোয় মীওইবা খুদিংমক পোকপনি নোংমা শোয়দনা শিগদৌবা ঙাক্তনি। শেঞ্জাও পায়বা, শক্তি লৈবা পোলিটিকেল পার্টি, ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়র, লাইরিক হৈবা য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর, কেস কয়া মায়থীবা লৈখিদ্রবা লার্নেট কয়া অমা, শু নোমদুনা তাঞ্জরকপা শেলনা মচা মশু, ইমুং-মনুং পুরিবা শিন্মী কয়া, শুনা শুনা য়াখোঙ থুম্না চরা অনী চাবা ফংদ্রবা কয়া, লম্বী সড়ককী অমোৎ অকাই মরক্তা অহিং য়ারেক্লিবা তাইবঙগী ৱাংমদা হিংলিবা কয়া চৎখিগদৌবা ঙাক্তনি। কোকশিল্লক্লবা চীং কয়া, তুমশিনখ্রবা চীংদুম কয়া, মাঙখ্রবা লৌবুক কয়া, ইনাক কৈরাক খুনবা কয়াগী পম্প, চেক্কোন, তোঙান তোঙানবা মাগী মাগী ফার্ম কয়ানা মাঙশিল্লক্লবা লৌবুক ৱাদবা ঙমদে, খোইরাংদবা ঙমদে। পাৎ কয়া নোংম-নোংমগী মহৌশাগী শক্তম মাঙশিল্লক্লিবা, চেদা ইরি, রেদিও, টিভিদা মীয়াম তিনবদা নেতা শাবা কয়ানা লোক্তাক কনগনি হায়বগী মিংদা শেল খপ্পবা হোৎনবদা মান্নবা কয়া পুন্দুনা শেন্দাল কোম ওইনা থম্লগা লোক্তাক পাৎনা নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লি।

ইন্দিয়া অসি লাইনীং লাইশোন তিন্নদবা, ফূরুপ কাঙলূপ কয়াগী লৈবাক্লি। মখল মথেল শুনা শাৎলবা লৈরাং কয়াগী লৈকোলনি। হৈখল শুনা মরীক চুম্না পাল্লবা হৈপাল কয়াগী হৌফমনি। মী ওইনা পোক্লবদি হিংমিন্নবা তাই। লৈমিন্নবা তাই। ৱাখল অমনা অমদা ফাওনদুনা ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নবা মথৌ তাই। নত্তদুনা ঐ হিংগে, ঐ চাউগে, ঐ নুংঙাইগে, মী শিসনু হায়বা ৱাখলনা মাঙদা থারগা লৈবাক ঙাক্লবা পোলিটিকেল পার্টিশিং, মখোয়গী মতুং ইনবা খৌবুনাই কয়ানা মপুকচেল শেংদবদগী ঙসিগী মণিপুরনা থেংনরিবা থোকহন্নীংদবা কয়া থোক্লিবা/ওইরিবনি হায়বসিমদি পূম্নমক্লা থাজবীয়ু।

চহী তরেৎ খুন্তাকখি। চহী অনী খরা হেনবদা ঙাইরি হায়বসি হায়হৈদবা তাবদা য়াম্না ৱাবা ৱাহৈনি। মসি য়ারিবমখৈ পনবীগনু। ইন্দিয়াগী লৈঙাক্না ঙসিমক থোক্লিবা ঈরং অসিদা থৌদাং লৈবা লৈঙাক্কী বেক বোন ওইরিবশিংনা পোলিটিকেল পার্টি অমনা প্রসিদেন্টস রুল তরারক থমখি হায়দুনা নাথৈবা অমদি ঈরাং অসি মীতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব তানবদগী থোরকপনি অমুক হায়, অমুক্না মপান্দগী লাকপা রিফ্যুজিশিংনা থোকহনবনি অমুক হায়, অমুক্না কাঙলূপ অনীগী খৎনবনি অমুক হায়। মসিদা নত্তে মখোয় অসুম হায়না কাঙলূপ মশেল হেক হেক খৎনবনি, মীতৈগা মীতৈ পাঙলগা, কুকিগা নাগাগা ঙসিনা মীতৈগা কুকিগা অসিসু কাঙলূপ অনীগী খৎনবা ওইনা উহনবগুম্বা অসিদি পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি।

মীয়াম্না পাম্বদি ৱাগী ৱারোইশিন পুবীরকউ হায়বনি। চংথোক চঙশিন য়াহল্লু। মাগী মাগী য়ূম্ফমদুদা কুকি হায়বা, মীতৈ হায়বা লৈতনা মশা মশাগী খোইরি লিনশাং তাখিবা, নাওয়োক নাওকোনবীদুনা চাওজরকপা মফমদুদা হঞ্জিলহনবীয়ু হায়বনি। মণিপুর থাবা য়ারোই হায়বদু কুকি নার্কো টেররিষ্টকী মখাদা ইন্দিয়াগী লান্মীশিং লৈরবরা হায়বদু মীয়াম্না হংনরক্লগনা করি পাউখুম পীগদৌরিবনো। মীতৈদি মীতৈনি। মৈ ঈশিং, চীঙ পাৎ তুরেল পূম্নমক্কী অমদি লমদম অসিদা লৈরিবা কাঙলূপ ফূরুপ পূম্নমক্কী মরুপনি। অদুঙৈ ৱাহৈ অহুমগী ৱাহৌদা মৈ হৌখিবা মণিপুরনা লৌখিবা থৌদাং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদা ৱাকৎপা ওইনজবা নত্তনা মতমদুগী তাঙ্খুল ইমুং অমগী লন-থুম, য়ূম কৈ মীওইবগী পূন্সিশিং নীংথিজনা ঙাক শেনখিবনি লৈবাক অসিগী সী এস ও কয়ানা। চায়োক নাওয়োক ফবী মমাগী মচাশিংদি মীনুংশি লৈবনি। মীনা মীগী মফমদা করম্বা লমচৎ, করম্বা শাজৎ, করম্বা থৌবাল উৎকনি হায়বা অসিদা নত্তনা ফূরুপ অসিগী ফিজেৎ চাকচা, ৱাঙাঙ-শঙাঙ খুদিংমক মমাগী খোল্লাং থক্লিঙৈ নাহোং শানা পোরিঙৈ, হৈনা হায়না চৎপা তম্বীরকপা মতমদগী ইমা-ইপা, ইপু-ইবেন, খুরা-ইন্দোমচা, মাম্মা-ইনে, ইচে-ইবাই, য়েৎ-ওই, মাঙগী-তুংগী নাওশুম শৈহেক শৈথাদুনা শৈদম্লক্লবা মীতৈনি। মীতৈদি ফিজেৎ চাকচা, ৱাঙাঙ শঙাঙ কাম্বা য়াদে। ঙসি ঙসিমক মসিগী ফিদা ইন্দিয়াগী মফমদা কনবা ঙম্বা অসিদা বোলিৱুদকী ফিজেৎ চাকচা কয়ানা মীতৈ চনু কয়াগী মশাগী ঈজৎ লৈনা শরুক য়াবা ঙল্লিবা অসিমক নাওশুম ঈশৈ শক্লা শক্লা নাওকোনবীখিবী ইমাশিংদুনা থিন্দুনা তাকপা লম্বীদুদা চৎখিবগী মহয়নি। সেন্টরনা লৈরম্বা লৈঙাক শ্বর শৎখ্রে, মনুং হোরে, মউতমক ঙাইরে।

পোৎ খুদিংমক্কী হৌরকফম, থৌদোক-ৱাথোক খুদিংমক্কী হৌরকফম লৈফম থোকই। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না পাল্লিবদি ময়ূম মকৈ ফনা য়াম্না মাঙ তাকখ্রবসু মাগী মাগী ময়ূমদুদা হঞ্জিনহনবীবা, মোরেদগী লাকপনা মোরেদা, চুড়াচান্দপুরদগী লাকপনা চুড়াচান্দপুরদা হঞ্জিলহনবা, ইম্ফাল থাদোক্তুনা চেনখ্রবা কয়াসু মাগী মাগী ময়ূম ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা অদুনি। মদু ওইনবা হোৎনবদা খঙ হৈরবা লম অসিদা তুকা-তিকি থিদনা মীয়ামগী পূন্সি অমদি লন-থুমশিং ঙাক শেন্নবা মেকানিজম পুথোকপা ঙম্বা অদুনি মীয়াম্না পাল্লিবা। ৱাথোক চাওবী মণিপুর ইমা ওইহনবীগনু। লমদম অসিগী মীয়ামগী ইহুল খঙনা লৈঙাকপীয়ু। কোকতা হাক্কচরগা খুয়াদা হোৎপা কান্নদে। দিষ্ট্রিক্টকী এদমিনিষ্ট্রেটরশিং নীংথিজনা সন্বিধাননা পীরিবা অয়াবা অদু থবক ওইনা ওন্থোকপীরগা হিংবগী হক, চাবগী হক, মহৈ তম্বগী হক, শিন্মী অমাওইবগী হক, খুদিংমক অদুনা য়ূমথোঙ খুদিংগী থোঙজিন্দা য়ৌহনবা ঙল্লবা মদুগী লৈঙাক অদুবুনি হ্যুমেনিটরিয়ন ওইবা লৈঙাক হায়বা অদু। মদু পূম্নমক ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী মনুংদা য়াওজবা ঙাক্তনি। থবক ওইনা ওন্থোকপীনবা লৈঙাকপা অমদি লৈঙাকপু মতেং পাংলিবা ব্যুরোক্রেটশিং অমসুং অরানবা কয়াদা কাতি থাবা ঙম্বা জুদিসরিশিং লোয়ননা কদাইদা করিদা কনানা কনাদা করি হায়খিবগে, থিজিল্লি হায়না পাউদম্লিবা মীদিয়া পূম্নমক্কী মফমদা থমজগে। ঙসিগী মণিপুর ইরৈবাক নুংদি নুংশিদকো। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।